ষ্টেট অসিদা য়ু মপুং ফানা মুখৎনবা হোৎনগদবনি : নুপী সমাজ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়ুদগী ইনকম লাক্কনি হায়না লৈঙাক্না ফোঙদোক্লিবা অসি অতৈ অতোপ্পা পোৎলমদা ইনকম তান্নিংঙাই লৈত্রবরা, য়ু থিংবীয়ু। কষ্টমরিগী ওইরবদি লাইনিং-লাইশোনগীদমক শুংবীয়ু, অতৈ অতোপ্পদা য়োনবীগনু হায়না ওল মণিপুর ৱিমনস সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ রমণিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা টি ঐচ রমণিনা মখা তানা হায়খি, হৌখিবা জুলাই ২৮ অমদি ২৯দা ওইনাম শওম্বুংদা হু চেনবা য়ুঙৌ থক্লুবদগী মীওই মঙা শিখিবা অমদি মীওই ৬০ রোম্না তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মসি মীনা থোকপগী ৱাফম অসি তশেংবদি চহী লিশাং শীৎনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক ওইরিবা য়ুগী লাইচৎনা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংগী লু-তোংদা চঙখিবদগী থোরকপা ৱাখল মীৎয়েংনা ওইহল্লকপা মশকনি।

মীওই মঙা শিখিবা অমদি মীওই কয়াবু হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবসিগী হৌরকফম মরু খঙদোক্কুনা মতাং চানা থিংহৌদ্রবা অমদি শেমদোকহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুং মীওই ১০০/১০০না খুজিং ওইরগা লমদমসিগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মীওই কয়া শিহনগদৌরি।

চহী ৪৫ রোমগী মমাঙদা লমদমসিগী নুপা কয়া য়ুগী ইপাক্তা লুপ্পা হৌরকপদগী থোরকপা তোঙান তোঙানবা খৎন-চৈনবগী থৌদোকশিং, ইমুং-মনুংদা থোকহল্লকপা খৎন- চৈনবা, নুপী-অঙাংদা ওৎ-নৈবদগী হেন্দোক্কুনা মীহাৎ-মীপুন অমদি খুন্নাইদা অকি-অখঙ, মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদুদা ঈংনা চীক্না লৈবা পামজবা নুপী অমদি মমা ওইবীশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবদা মাঙজিন থাবা থৌদোক লৌদুনা লাকখি হায়বসি লমদমসিগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা য়াওরি। মতম অদুদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা নুপী সমাজনা ঙসি হনবা লৈতনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

য়ুনা মীওইবগী হকশেলদা মাঙহনবদা নত্তনা লমচৎ-শাজৎ, ৱাখল মীৎয়েংদা পীরকপা চৈফু অমদি চৈথেংনা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীদুনা লাক্লি। লমদমসিগী শেন্মীৎলোন অঙকপা ফংনা মাঙ-তাকহল্লি। য়ু থকপদগী থোরকপা ক্রাইমশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি য়ু থকপনা থোরকপা ৱাফমশিংগী মরমদা খঙদবা মীওই অমত্তা লমদম অসিদা লৈতে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শেলগী ৱাফম্না মাঙ থারগা মণিপুরদা শুংলিবা য়ুঙৌশিং গভর্ণমেন্টনা লো শেমদুনা শুংহল্লগা মীরমদা থাদোক্লুবগী ৱাখল মীৎয়েং শন্দোকপা মীওই খুজোক খরগী থৌইনশিন্দা গভর্ণমেন্টনা থৌরাং য়াৎলোইদবনি। শেলগা খুন্নাইগী তুংগী ওইরক্কদবা মশক্কা মমল মন্তিক্লদুনা য়ুন্থোকপা য়ারোই। ফত্তবা পোৎ অদুদি লৌথোক্কদবনি অমসুং চুমথোক-শেমদোক্কদবনি। মপান লমগী মীরৈবাক্কী ৱাফম কয়া পুশিল্লক্লগা মীরমদা য়ু শুংবা অমসুং য়োন্নবা লো শেমদুনা চৎনহন্দুনা শেন্দোং য়াম্না ফংখ্রে, চাউখৎখ্রে হায়বা ৱাফম লমদম অতিসদা পুশিল্লকপা চুল্লোই।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ৱাফম্না ওইহল্লকখিবশিংনা মরম ওইরগা কুমজা ১৯৯০গী মতমদা মণিপুরদা প্রোহিবিসন এক্ট চৎনহন্দুনা দ্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম অদু খঙমিন্নবা চুমগনি। এক্ট অসি চৎনহনখ্রবসু লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অদুমক হেনগৎলক্লি। ঙরাং নহানতসু মীশি মীনা থোক্লিবসিনি। মরম অসিনা এক্ট অসি শেমদোক্লগা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবা য়াবা লো অমগী মখাদা থবক তৌহন্নবা হোৎনরক্লিবা ৱাখল্লোন অসি খন্থবা ৱাৎপগী থৌওংনি।

প্রোহিবিসন এক্ট ঙসিদগী চহী ২৭কী মমাঙদা চৎনবা হৌখ্রবসু এক্ট অসি কদাই ফাওবা মথৌ পাংথোকহনখ্রবগে? এক্ট অসিগী মপুং ফাবা মথৌদি তৌহন্দনা থল্লগা চহী ২৭ শুরবা এক্ট অসিনা য়ু থিংবা ঙমদ্রে হায়বসি অরানবা ৱাখলনি। মতম মতমদুগী অমদি হৌজিক্কী লৈঙাক্না মপুং ফানা মথৌ পাঙথোকপা অমদি চৎনহনবা ঙমদ্রগা এক্ট অসি কান্নদ্রে হায়না লৌবা লাল্লি। মতমগা চুনবা এক্ট অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা অমদি মথৌ শঙনবা শেমদোক শেমজিন তৌবদি চুমগনি। মদু নত্তদুনা এক্ট অসি লৌথোক্লগা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং লো অমা শেমদুনা য়াহন্নবা ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েং পুথোরকপা য়ারোই। মীরৈবাক্কী ৱাফম লমদমসিদা পুশিল্লকপা য়ারোই হায়রি।

লমদম অসিগী ঈশিং নুংশিৎকা মপান লমগী ঈশিং নুংশিৎকা খেন্নবা লৈ হায়বসি লৈঙাক্না খঙগদবনি। অমরোমদা লমদমসিগী কষ্টমগী মতুং ইন্না খুল খরদা য়ু থোংবা অমদি শুংবগী চৎনরোল কায়বা য়াদনা লৈরবসু মপান্দা শেন্দাল লম্বী ওইনা শীজিন্নবা য়োনবা য়ারোই হায়রি।

লাই-তিনগী, লাইনিংগী অমদি চৎনরোলগা মরী লৈননা শুংবা য়ুনা লমদমসিগী মীয়াম্বু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ইপাক্তা লুপহন্নবগী ৱাফম য়াওদে হায়রবসু শেন্দাল লম্বী ওইনা য়ু শুংলগা পুথোরকপদগী থোরকপা থৌদোকনি। প্রোহিবিসন এক্ট মুখৎলি, য়ু শুংবা য়োনবা য়াহন্নবা লো শেম্বা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুগী ৱাথোক অসি অথুবা তমদা মণিপুর লৈঙাক্না লোইশিন্দুনা লমদমসিগী য়ু মুখৎনবা হোৎনগদবনি। মদু নৎত্রবদি লমদম অসিগী নুপীশিংনা মৈরিকপীদগী মৈজাও হৌরক্কুনা অচৌবা ঈহৌ অমা লাকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা নুপী সমাজ ইরোইশেম্বা, পাওরাবী, ঘড়ী, হৈরাঙ্গৈইথোং, মাইবম লৈকায় অমসুং খাবম ব্রাঞ্চকী লূচিংবীশিংসু শরুক য়াখি।

‘ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর মফম চাবদা থম্বীয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

মমাঙগী লৈঙাক্না অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ লাউথোকখিবগী মনুংদা য়াওখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী হেদক্বার্টর য়েৎনবা লৈবদগী ঙসি ফাওবা শঙ্গাদা লৈরি হায়না ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর দিমান্দ কম্মিটি ৱাইখোং, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এন জি জয়কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক চথুরিবা এসেমব্লি মীফমদা কে রঞ্জিৎ অমসুং হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যাম অনীনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদক্বার্টর এ সী মরি শুগনু, হিয়াংলম, ৱাবগাই অমসুং ককচীংগী মফম চাবা অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী খুদোংচাবা য়েংলগা ময়েংলমজাওদগী ৱাইখোং থোংজাও ফাওবগী মনুংদা থম্বীনবা দিমান্দ তৌখিববু ককচীং দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটি ৱাইখোংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দিমান্দ অসিগী পাউখুমদা রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হাউসতা ফোঙদোকখিবদা মীয়ামগী খুদোংচাবা য়েংলগা মফম চাবদা য়েংলগা থমগনি হায়খিবদুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মীয়ামগীদমক্তা খনবা লৈঙাক অসিগী লূচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী প্রোগ্রামগী মনুং চল্লিবা ইনক্লুসিব গ্রোথ অমদি সবকা সাত সবকা বিকাশ হায়বদু থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদক্বার্টরম মফম চাবদা থম্বীনবা আপিল তৌরক্লি।

লায়রবশিংগী স্কিম লল্লোনপোৎ ওন্থোক্কনু : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১: লায়রবা কোক্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লিবা স্কিম পুম্বা মণিপুর য়ৌরক্লগা লল্লোনপোৎ ওইনা ওন্থোক্লগা লৈরে হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেতোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রেস মীট অমদা টি ঐচ ইবেতোম্বীনা মখা তানা হায়খি, য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা পাস তৌদুনা শেমখিবা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট মণিপুরদা চৎনবা হৌখ্রবসু এক্ট অসিনা পীরিবা লায়রবশিংগী চাকথুং থা খূদিংগী চেঙ কে জি ৫/৫ কে জি অমদা লুপা ৩/৩দা ফংহনবগী খুদোংচাবা অমদি ইমুং খূদিংগী কেরোসিন লিটর ৫/৫ লোয়ননা হৱাইনচিংবা য়াওরি। মণিপুরদদি কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ২৫দগী এক্ট অসি চৎনখ্রবসু ফংফম থোকপা পোৎলমশিং শুনা ফংবা ঙমদ্রি। অমরোমদা, এম জি এন আর ঈ জি এ স্কিমগী নুমিৎ ১০০ থবক শুহনবগী পান্দম মপুং ফানা ফংহনবা ঙমদ্রি অমসুং খুৎশুমন চপ চানা ফংগদবা মীওইদা ফংহনবা ঙমদ্রি হায়খি।

অরংবা থৱানমিচাক নৈনবগী থৌরম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোলনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা ডা. মুতুম মঙ্গীনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘অরংবা থৱানমিচাক’ অসি নৈনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

এ আই আর, ইম্ফালগী শক্লাইরবা প্লে রাইট রাজেন সরাংথেমনা শৈরাং লাইরিক অদু নৈনখি। ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. এস শান্তিবালানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি হায়না রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোলগী সেক্রেটরি এন সুনিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

‘ককচীংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর ওইফম থোকই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

শুগনু অমসুং হিয়াংলম এ সীগী এম এল এনা এসেমব্লিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মরমদা পুথোকখিবা ৱাফম অদু য়ানিংদে হায়না সিবিল সোসাইটি ককচীংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ককচীং কেন্দ্র লূপকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ধরমদাসনা হায়খি, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগী অৱাৎ-অপাশিং অথুবদা মেনশিনবীয়ু হায়না সিবিল সোসাইটি ককচীংগী মীহুৎশিংনা দিমান্দ তৌবনি।

ককচীং কেন্দ্র লূপ, সিনিয়র সিটিজেন ফোরম ককচীং, কঞ্জুমর ফোরম ককচীং, সাহিত্য সেবা সমিটি ককচীং, ককচীং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাউমীশিংগী মীফম অসি পাঙথোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ৯দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন্দা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ হাপচিনখিবা অদুদা য়াওরিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী হেদক্বার্টর অসি ককচীংদা ওইফম থোকই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমদি এস পি হৌজিক হৌজিক ককচীংদগী ফঙ্কসন তৌদুনা লৈরি। ককচীংদগী হেদক্বার্টর হোংনবগী ৱাফম শুগনু এ সীগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎ অমসুং হিয়াংলম এ সীগী ডা. রাধেশ্যামনা এসেমব্লিদা পুখৎলকখিবা ৱাফম অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপনি।

লমগী পাক চাউবগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর শেমগদবা নত্তে। লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, বেঙ্কিং, কম্যুনিকেসন অমসুং ট্রান্সপোর্ট-নচিংবা য়েংলগা শেমগদবনি। হৌজিক হৌজিকমক ককচীংদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ময়াম অসি অতোপ্পা মফমদা লৈবা নত্তে। দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর ওইবগী খুদোংচাবা অসিদি ককচীংদনা খ্বাইদগী হেনগনি। ককচীংদা লৈরিবা ওফিসশিংগী অৱাৎপা ষ্টাফশিং হাপচিনবীয়ু। ককচীংগী চীংয়াগী অকোয়বদসু অহাংবা লম য়াম্না লৈরি। মসিদা মিনি সেক্রেটরিয়েট শাবগী খুদোংচাবা লৈগনি। দিষ্ট্রিক্ট ফিসরিজ ওফিসারনা সেকমাইজিনগুম্বা ঙাক পাক শন্না য়োক্লিবা মফমশিংদা লৈহনবা য়াগনি। শা-ষণ য়োকপগী থবক শুগনুরোমদা হেন্না পাঙথোক্লিবা মফম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট থম্বদা চুনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এক্স-এম এল এ য়েঙ্খোম থম্বাল, সিনিয়র সিটিজেন ফোরম ককচীংগী নোংমাইথেম নিমাই, এক্স-এম এল এ অমসুং সিনিয়র সিটিজেন ফোরমগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ জুগেশ্বর, বি জে পি কিষাণ মোর্চাগী মেম্বর ময়াংলম্বম রামেশ্বরসু শরুক য়াখি।

য়ু থক্লুবদগী লৈখিদ্রবশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

ওইনাম শওম্বুংদা য়ানশিন্নবা য়ু থক্লুবদগী মীওই মঙা শিখিবা অমদি মীওই কয়ানা লায়কন্নরিবা অসিবু ওইনাম মৈরা পায়বী লূপ, ওইনাম ময়াই লৈকায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ওইনাম মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি ও বিমোলানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অসি মণিপুরগুম্বা দ্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোক্লগা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মাগী লৈজরিবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকুম্বা মেছিনরিশিং শীজিন্নগা য়ু শুংবা, য়ু য়োনবা অমসুং য়ু থকপা থিংবা ঙমদবদগী ফুদ সেফটি ৱিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং চেক তৌদবগী মহয়নি। লৈঙাক অসিনা থৌদোক অসিগী থৌদাং পুফম থোকই।

থৌদোক্কুদা লাইবক থীবদগী লৈখিদবশিং অমদি হিংহৌরিবা মীওইশিং অদুগী ইমুং-মনুংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীফম থোকই। মতুং তারকপদদি অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনচিংবা মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী থবক হেন্না কনশিন্নবা অমদি কাদা অমসুং লমদম অসিগী লূপ কয়ানা অঙম্বা মতেং পাংশিল্লগা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মপুং ফানা থিংনবা খোঙথাং লৌখৎলসি।

হঙ্গৈইনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা অশিবা মীগী পোৎলোইবা য়াওরিবা মীওইশিংনা য়ু থকপগী চৎনবীশিং লৈরকপসি লৈবাক কয়াগী মমাঙদা ঈকায়নিংঙাইনি। মসি খুদত্তগী তোকপীয়ু নৎত্রগা নুপী ঐখোয়দা পোৎলোইবগী থবক শিন্নবীরো হায়রকপসু য়ারি।

অমরোমদা, ওইনাম শওম্বুং ভীলেজদা থোকখিবা য়ু থক্লুবদা শিখিবগী থৌদোক অদুবু লৈশাংখোং কবুই পোপ্যুলর ক্লবনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

জুলাই ২৯দা মীওই অনী শিখিবা, মথং নুমিৎ জুলাই ৩০দা মীওই অনী অমসুং জুলাই ৩১দা মীওই অমা পুন্না মীওই মঙা শিখিবা অমদি মীওই কয়ানা হৌজিক ফাওবা হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা থৌদোক অসিবু নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

লৈশাংখোং কবুই পোপ্যুলর ক্লবকী প্রসিদেন্ট জি মণিসনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা জুলাই ২৯দা শ্যামকুমার অমসুং ইমো কৌবা ওইনাম শওম্বুংদা লৈবা মীওই অনী অসিনা লৈশাংখোং কবুই খুলদা লৈবী কে বিনা কৌবী মীওই অমদগী য়ু লৌখি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা কে বিনাদগী মনাক নকপদা লৈবা মীওই খরসু য়ু অদুমক লৌদুনা থকখি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা করিমত্তা ৱাকৎলকপা লৈখিদে।

অসিগুম্বা য়ু থক্লুবদগী মী শিখিবগী থৌদোক অসি খুল অসিদা অসুক কুইরবা মতম অসি থোকখিবা লৈতে। মমাঙদা য়ু শুংবগী থৌওং অমদি পোৎচং অদু চপ মান্ননা শুংবনি। অতৈ পোৎয়ান য়ানশিনখিবা লৈতে। অতোপ্পা য়ু য়োল্লিবা মীওইশিংনা য়ুগী ময়াক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা পোৎয়ান তৌখিব্রা হায়বগী চিংবা লৈ। হীরম অসিগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপীদুনা মরাল লৈবশিং লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না ঈং-তপ্পা লৈতানা লৈবীনবা আপিল তৌরকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী খুন্দামিন্নরক্লবা কাঙলূপ কয়াগী মরক্তা থাজনদবগী থৌদোক থোকহনগুমসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্না থৌদাং পুগদবনি : নিম্পাল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপুনবা লূপ (নিম্পাল) অমদি নুপীশিংগী অপুনবা য়াইফ লূপকা খুৎশম্নদুনা খুল্লেম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ঙরাং মণিপুর খুন্নাইদা নিশাগী চৈথোং হায়বসিদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না নিম্পালগী আই পি আর সেক্রেটরি দল্লিয়ু থাইবেমোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকীম নুং চন্না লৈবা ওইনাম শওম্বুং এরিয়ানা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই কয়া শিখিবসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোক্লি। মীওই কয়ানা হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবসি লৈঙাক্না মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ চৎহন্দনা থম্বদগীনি। মসিগী থৌদাং লৈঙাক্না পুগদবনি।

থৌরম অদুদা লক্ষ পাইওনর কম্যুনিটি, খুল্লেম লৈকায়গী চীফ এদভাইজর টি ঐচ ইবোপীশক, নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টি ইবেয়াইমা, নুপীশিংগী অপুনবা য়াইফ লূপকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সনাহনবী অমসুং এস দি পি ও ইম্ফাল ও ৱাখোম্বনা ময়াই তাঙবল লৌখি। থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট ৱাই রতন অমসুং লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতানা রিসোর্ছ পার্সনশিং ওইখিবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মরমদা মমল য়াম্লবা মখল-মখা কয়াগী পাউতাক কয়াসু পীখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেস পীরদুনা সোরাইশম শান্তি লৈমনা হায়খি, মণিপুর খুন্নাইসিনা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাংলি। মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা খুল্লিংনবা হোনিরক্লি। মসি খঙনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অমদি ৱাখল তামিন্নদুনা ফিরেপ লৌমিন্নরসি।

মখল-মখা কয়াগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ইপাক্তা লমদম অসিগী নুপা অমসুং নুপীশিংনা ইরাক্লরিবা অমদি অচঙবা অফবা মীওই ওইরক্কদবা ইচাশিং কন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতম ওইরে। ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রে। মসি ফাওবদা লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিনবা চুল্লোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি হরাওথেল শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শেমগৎ শাগৎপা মতমদা অয়েৎ-অপন লাকপদা ঙাকথোক্লবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি হরাওথেল, ইম্ফাল ৱেষ্ট কৌবা কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না ৱার্কিং চ্যেরমেন ইরুংবম রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ইরুংবম রঞ্জননা হায়খি, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শাবদা মরুওইনা লম কখোক্লিবা কৌক্রুক, সেঞ্জম চিরাং, সেঞ্জম খুনৌ অমসুং হরাওথেলনি। হায়রিবা মফমশিং অসিগী খুঞ্জাশিংগা খন্নরগা প্রোটেক্সন কম্মিটি অমা শেম্বা ফগনি হায়বদগী লৈকায়শিং অসিগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিং য়াওনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা কম্মিটি অসি শেমখিবনি।

হায়রিবা কম্মিটি অসিগী থৌ পুনবা ওইনা সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোবু চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রে। লোয়ননা কম্মিটি অসিনা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি সেঞ্জম চিরাং অমসুং কৌক্রুকচিংবা মফমশিং অসিদা শাগদৌরিবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী মমিং হরাওথেল নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হায়না মিং থোনবীনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনবা, খুঞ্জাশিংনা কন্দিসন অমত্তা থমদনা অনিংবা অপাম্বা তৌগনি হায়না চঙশিল্লকপা থৌওং অসি তৌবীগনু।

তাঙনা ফংলবা অসিগুম্বা য়ুনিভর্সিটি অসি শানবা হোৎনরকপদা থুগাইনবা হোৎনবা মাল্লি। মতুং তাবা থবক থৌরমশিং কম্মিটি অসিগী ওফিস সেঞ্জম চিরাং কম্যুনিটি হোলদা হাংদোক্লিবা অসিদা তানবী লাকপীয়ু হায়রি। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শারকপা মতমদা অহেনবা লম মথৌ তারকপদা সেঞ্জম চিরাংগী লম একর ৭০০ লৈরিবা অসিসু পীবা হায়নসু য়ানখি। কম্মিটি অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌওংশিং তৌহন্নিংবগী মতাংদা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী খুথাংদা হায়বা অসিনচিংবনি।

ষ্টেট হেন্দলুম দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

হেন্দলুম প্রমোসন কাউন্সীল, মণিপুরনা শীন্দুনা ১৮শুবা ষ্টেট হেন্দলুম দেগী থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. কে সোবিতা চ্যেরপার্সন মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমননা চীফ গেষ্ট ওইখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ডা. কে সোবিতানা হায়খি, মণিপুরদা ফিশা লোনশা হৌখিবসি পান্থোইবী মিরাং মহুম য়েংলগা শাবা হৌখি হায়বগী ৱারী লৈ। মণিপুরগী চীং তমগী ফুরুপ ময়ামগী দিজাইনশিং লৈরিবা অসিদা মশা মশাগী পুৱারীসু য়াওজরিবনি। দিজাইনরশিংনা কলচর য়োখৎলি হায়দুনা মীয়াম মমাঙদা পংশেৎ শেৎপা অসি কলচর য়োকখৎপগী মহুত্তা লৈখা তাহল্লি। শেৎপা তারবসু পরম খঙনা মফম চানা শীজিন্নরবসি য়োকখৎপা হায়বদু ওইগনি। কলচরনা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি ঙাক্লিবনি। কলচর নত্তনা ঐখোয়না ঐখোয়বু মশক তাকপা ঙমদে। ঐখোয়গী কলচর, ট্রেদিসনবু চেকশিন্না থম্বা চঙই।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা চীফ ফঙ্কসনরি চীংতম লুৱাংনা হায়খি, ফিরোল হায়বসি মীওইবনা খঙলকঙৈদগী শেত্তুনা লাক্লে। য়াম্না মরুওইবা পোৎলম অমসু ওইরি। অদুবু অসুক কুইরবসি ফিশাবীশিংবু মশক খঙবীদনা লাক্লি। মরম অদুনা ফিশাবীশিংবু মশক খঙবীবু অমসুং পূক্লিং থৌগৎপা চঙই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট ফিশাবীশিংবু য়োকখৎনবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। স্কিমশিং অসিগী থৱায়দি ফিশাবীশিংনা হাপকদবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কে লমলি কামৈ, দিরেক্টর হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল মণিপুরনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ডা. এন রঞ্জনা দিরেক্টর ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিব মেনেজমেন্টনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

‘য়ুগা মরী লৈনবা কাঙলোন শেমগদবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

য়েলহৌমীশিংগী মীরোল কয়াগী মমাঙদগী কষ্টমরিগী ওইবা চৎনবীদা য়ু শুংবা অমদি নাৎকী থৌরমশিংদা য়ুবু য়াওদবা য়াদবা পোৎলম অমা ওইবা কাঙলূপ কয়া লৈতবা নত্তে হায়না ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)না ফোঙদোক্লি।

ইপাককী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে বস্কর মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীওই কাঙলূপ অমগী কষ্টমরি ওইবা পোৎলম অসি থিংলুবা য়াবা অমা ওইনা লৈরি। য়ুনা খুন্নাই অমা মাঙহন-তাকহনবগী মচৎ অমা ওইরকপা অসি থিংনবা হোৎনবদা থিংবা ঙমদবগী মচৎ অমা কষ্টমরি অসিনা নাকোয়ননা ওইহল্লক্লি।

মৈরা পায়বী, নিশাবন্দ অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিংনা কন্না হোৎনরবসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং অসি হেনগৎলক্লি। য়ুগী কলচর অমা লৈরকপগী মমি চাউনা তারি। নাৎকী পাঙথোকফম থোকপা থৌরম কয়া য়ু য়াওদ্রবদি মপুং ফাদবগুম চৎনরক্লি।

অসুম্না খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ইপাক্তা লুপখিবা য়াবগী পুংফম অমা ওইরক্লে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা খুন্নাই অসিগী হৈনবী অমদি শাজৎ অসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা লুপ্লবগী চৎনবী অমদা হোংবা ঙমদনা লৈরক্লি হায়রি।

মী শিরে খঙনা খঙনা অকিবা পোক্লদনা থাদোকপা ঙম্নদনা য়ু থক্লরি। মসিমক খুন্নাই অসিদা উরিবা হোংদোকপা ঙম্নদবা শক্তম অমনি হায়না ইপাক্না হায়নিংই। য়ুঙাং কয়া মখল শুনা ফংলি অমসুং এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌনচিংবা ময়াম অমা ফাগত্তুনা মাঙহনখ্রে। অদুবু থকপীনবা মীগী মশীংদি ৱাৎতবনা কান্নবা করিসু উবা ফংদে।

য়ানশিল্লবা য়ু থকপদগী মীওই মঙা শিবা অমদি মীওই ৩০গী মথক্তা লায়কন্নরি হায়রিবা অসিগী মতাংদা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ু থিংবা ঙম্লোইদবা লৈরবদি দ্রাই ষ্টেট লাউথোক্লগা সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা চথবনা ফরোইদ্রা হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

কষ্টমরি লোনি হায়না পাক্তক্লুনা য়ু শুংহনবসি য়াদনবা অকনবা য়ু শুংবগী লো অমা শেমদুনা অয়াবা পীবা য়ুম অমা/অনীখক য়ু শুংহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈচলগী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

ইরৈপাক ইনাৎ চনুরা লোয়নশিল্লোন (ঈচল)গী ১২শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঈচলগী প্রসিদেন্ট টি ইবেমচা, অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, ওল মণিপুর ৱিমনস সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী প্রসিদেন্ট কে তরুনি, ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপুনবা লূপকী প্রসিদেন্ট এস মোমোন লৈমা অমসুং সী ঐচ ইবোয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিটয়ার্দ হেদ মিষ্ট্রেস কে ঐচ অনন্দিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌদোক অদু থোকচোম ফজবী অমসুং থোকচোম অফাও অনীনা খুৎলং ঈশৈ শক্তুনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ঈচলগী প্রসিদেন্ট টি ইবেমচানা হায়খি, লূপ অসি ঙসিগী খুন্নাইদা মপান লমগী শাফুনা ঐখোয়গী ইনাৎ অমদি শক্তমদা মশেল-মরাং ওইনা উরকপা অমদি লৈজরম্বা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা চৎনরম্বা কয়া অদু মাঙশিল্লকপগী ফীভম লাক্লিবসিনা মরম ওইরগা মরৈবাক নুংশিনবগী ৱাখল্লোন লমদম অসিদা পুরক্লবা অমদি নেসনল করেক্টর শাগৎনবা হোৎনরকপনি।

ঐখোয়গী ইনাৎ, শক্তম অসি মাঙলকপনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী চপ চাবা মশক অদু ওইরক্তবদগী তঙাইফদনা কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা ৱাখল মান্নবা মীওইশিং পুনশিন্নরগা লূপ অসি শেমখিবনি। নাৎ অমসুং কলচল শেমগৎপা অমদি য়োকখৎপগা লোয়ননা ইপা-ইপুগী লীক্লম থিরগা ইনাৎ অসি কন্নবগী ৱাখল্লোন অসি লূপ অসি শেমখিবনি।

লমদম অসিদা ঙমখৈগী ৱাথোক অমদি মীওইবগী রাইট খোঙ্গাউনবা নৎত্রগা মীরমদগী মীতোপশিং চঙশিল্লকপা কয়া অসি য়াওনা নুপী-অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথুরিবা ক্রাইম কয়া অসি কন্নবা লোয়ননা ঐখোয়গী ইনাৎ অমসুং শক্তম কন্নবগী ৱাখল্লোন লৈবা তারবসু অসিগুম্বা খোঙজং অসি য়াওদবা য়াদবগী তাঞ্জা অদু লাক্লে। ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবদা শরুক য়ারকখি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াদসু শরুক য়াখি।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না লমচৎ শাজৎ মাঙহল্লক্লিবা অমদি ইপা-ইপুশিংগী কাঞ্জুল অদু থিদনা মীগী মতৌ তমদবনা মরম ওইরদুনা ঙসিদি মচল-মচেশিংদা ফাওবা নুশিংবগী মীৎয়েং অদুদগী থাপতোক্লগা শা-ঙাদা চৎকদবা লীচৎ ফাওবা চৎলক্লে হায়খি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবগীদমক ইরমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবী নুপীমচা, নুপামচাশিংনা ক্বা, তলব অমদি টেব্লেটনচিংবা চৎনবী ওইনা চারিবা অসি থাদোকপীনবা অমদি থকসি খাসি ঙাক্লবা ৱাফম থমখি।

(EECHA... IMPHAL
on
Tuesday, the 1st August, 2017
Venue
...nipur Drama... Union Hall, (M...), Im...

য়ুরিয়া সবসিদাইজ রেটতা য়োনবা ঙম্লোই : দিলর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১(ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্না এগ্রীকলচর দিরেক্টরদা পীরিবা য়ুরিয়াগী সবসিদি অসি দিলরশিংদসু পীবিয়ু। মদু ওইরবদি দিলরশিংনা বেগ অমদা লুপা ৩০৪দা য়োনগে হায়না ওল মণিপুর ফর্টিলাইজর দিলরস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ওল মণিপুর ফর্টিলাইজর দিলরস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি য়েন্দ্রেম্বম মোধুচন্দ্রনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরিবা হারগী সবসিদি রেট অসি ফংলবা মতুংদা হার বেগ অমা ইম্ফাল য়ৌনবা পুরকপা মতমদা লুপা ৫১৫ চঙই। য়ুরিয়া অসি মণিপুর লৈঙাক্না বেগ অমদা ৩০৪দা য়োল্লু হায়রি। অদুবু হায়রিবা মমল অসিদা য়োনবদা দিলরশিংনা লুপা ২০৯ মাঙই।

মণিপুর লৈঙাক্না এগ্রীকলচর দিরেক্টরদা সবসিদিগী রেট অসি পীদ্রগদি দিলরশিংনা হার চিংবা তোকপগী ফীভমনি। য়ুরিয়া বেগ অমা চিংলকপদা লুপা ৫১৫ চঙই অদুগা দিলরশিংনা লুপা ৫৫০দা য়োনবনি। দিলরশিংদা সবসিদাইজ রেটতা পীবিবা নত্তবনা য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ৩০৪দা য়োল্লু হায়বদা লুপা ২০৯ মাঙবনা রেট অসিদা হার য়োনবা ঙম্লোই। রেট অসিদা হার য়োল্লু হায়রগা দিলরশিংনা মাঙলিবা শেনফম লৈঙাক্না পীবিয়ু।

মমাঙগী লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, প্রিন্সিপাল সেক্রটরি অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিন্দুনা লাকখি অমদি লৈঙাক্না লেপ্লিবা মমল অসি য়ুরিয়া য়োনবা ঙমদে হায়না চেরোল থাখিবসু লৈখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা কুমজা ২০১৩দা হায় কোর্টতা কেস ফাইল তৌখিবসু লৈরিবনি অমসুং হৌজিক ফাওবা কেস লোইশিন্দনা লৈরি।